# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 25-09.2024)

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-পন্দিৎ দিন দয়াল উপধ্যায়না হৌদোক্লম্বা ইন্টিগ্রিয়েল হ্যুমেনিজমনা ঐখোয় পুমমক্তা অপুনবগী ওইবা ৱাখল্লোন শাগৎপগা লোয়ননা নুংঙাই য়াইফবা অমদি মরোমদোম লেপচনবগী পারা তন্বীরি।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি.জে.পিগী থন্বাল শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকপা পন্দিৎ দিন দয়াল উপধায়গী ১০৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঐখোয় পুমমকা সব-কা সাদ-সবকা বিকাশ হায়বা ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা থবক তৌমীন্নসি। মসিনা রাজ্য অসিগী মফম শিনবা থুংনা চাউখৎহনবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা রাজ্য সরকারগী মন্ত্রি, এম.এল.এশিং অমদি বি.জে.পিগী করিয়াকরতাশিং শরুক য়াখি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি-ঐখোয় মশেল পুনশিনদুনা পুন্না চৎমীন্নরবা মতমদা মাংজিল থাবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগনি। ৱাফম অসি ৱাখল্লোন মান্নবা অপুনবা (ৱামা) কংলৈপাককী অহুমলকশুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-রাজ্য অসিগী হৌখিবা পুৱারীশিং খঙবগা লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি তুংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বদু ঐখোয় পুন্না খঙমীন্নবা চংই। রাজ্য অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী মীশিং হন্থরকপগী মমি তারিবা অসি অফবা খুদম নত্তে। মীশিং হেনগৎহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিগীসু মথক্তা মরৈবাক মরমদমগী পুৱারী মরিক চুমা খঙদুনা

লৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা কৎথোকপা ঙস্বা মীরোল অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱামাগী প্রসিদেন্ট-মোইরাংথেম নাউখোম্বা মীতৈ, হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট-ৱাই. সুজিতকুমার খুমন অমদি ওল মনিপুর রিকোগনাইজ প্রাইবেট স্কুল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-লাইশ্রম জয় খুমনসু শরুক য়াখি।

**ফিসরি (এল)ঃ** রাজ্যগী ফিসরি বিভাগকী দিরেক্তর-হৈস্নাম বালকৃষ্ণনা হায়রি- রাজ্য অসিদা ঙাগী অৱাৎপা লৈরিবা অসি মেনখৎনবগী পায়খৎলকপা থৌরাং মনুং চন্না তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লৈকাই লৈকাইগী পুখ্রি অচৌবা লিশিং অমরোমদা ঙা থাদনবা পান্দম থন্লি।

ঙসিসু ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা লৈকাইগী পুখ্রি অচৌবা ১৫ দা ঙা মচা লিশিং ৪৫ রোম থাদখি। থৌরাং অদু ফিসরি বিভাগনা ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেন (অমুকো) গা খুৎশমদুনা পায়খৎপনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা শ্রী বালকৃষ্ণনা ৱারী শান্নবদা মহাকা হায়-থৌরাং অসি রাজ্য অসিদা ইহান হানবা ওইনা পায়খৎপনি। হৌখিবা আগষ্ট ১৭ তা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নিংথেম পুখ্রিদা ঙা মচা থাদুনা হৌদোকখি। মসিগী তুংদা, মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগা খুৎশমদুনা ঙামচা লেপ্তুনা থাদরি। হৌজিক ফাওবদা চাউরাকা পুখ্রি অচৌবা ১০০ গী মথক্তা ঙা মচা থাদখ্রে। থৌরাং অসিনা রাজ্য অসিগী ঙাগী অৱাৎপা লৈরিবা অসি মেনখৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**হিন্দি (এল)ঃ** লৈবাক অসিদা থা অসিগী ১৪ দগী ২৮ ফাওবা হিন্দি ফোর্টনাইট পালন থৌরম পাঙথোক্লি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালদসু পাঙথোক্লি। হিন্দ ফোর্টনাইটকী পালন থৌরম অসি হয়েং ফাওবা চথগনি। পালন থৌরম অসিগী

শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালগী ষ্টাফশিংনা দিক্টেসন অমসুং এক্স-টেম্পর স্পিচতা অথোই অহেন তান্নবা অমদি হিন্দি লোলবু চাওখৎহন্নবগী মতাংদা ৱার্কসোপ অমসু পাঙথোক্কনি।

**গাড়ি(এল)ঃ** জোইন্ট সিভিল ওর্গনাইজেসন ওফ তৌসেম সব-দিভিজননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী মনুং চন্না তৌসেম সব-দিভিজননা কোনবা মফমশিংদা মতম কক্তুবা সটদাউন্দ তৌখিবদগী জিরিবামলোমদগী লাকপা মাল পুবা গাড়ি ১০০ রোম সিভিলোং খুল অমদি কৈখুনদাই খুল অনিগী মরক্তা পন্দুনা লৈরে হায়রি।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমী-রেংবম কামৈনা হায়-জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা সটদাউন্দগী খোঙজং চংশিল্লিবা লুপশিংগী মীহুৎশিংগা হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা ৱারী শান্নরগনি। অদুবু খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না সরকারগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমা সাইন তৌনদ্রিবমখৈ মখোয়না চংশিল্লিবা খোঙজং মখা তানা চংশিনখিগনি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** মঙাশুবা উখ্রুল স্কাস চয়োত ফেষ্টিবেল ঙসিদগী জিলা অসিদা হৌখ্রে।

জিলা অসিদা ফংলিবা স্কাস (দুসকুস) অসিদা সরকারনা মীৎয়েং চংবীরবদি ভারত শিনবা থংনা অমদি মালেমগী মফমশিংদা য়োনবা য়াগনি হায়না উখ্রুলগী এম.এল.এ. রাম মুইভানা ফোংদোকখ্রে।

উখ্রুলগী অসাম রাইফলস থহাউ গ্রাউন্দদা নুমিৎ হুমনি চখ্থগদবা ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কাস মখল ৫৪ উৎতুনা ফেষ্টিবেল অসিবু য়েংবা লাকপা মীওইশিং পুকিং চিংশিল্লি। জিলা অসিগী ৱিমেন সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ফেদরেসননা শিনদুনা চহি খুদিংগী পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেল অসিনা মফম অদুগী লৌমীশিংদা খুদোংচাবা ফংহন্নবা পান্দম থল্লি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এ. রাম মুইভানা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা

জিলাশিংদগী স্কাস চয়োত খ্বাইদগী প্‌থোকপা জিলা অসি উখ্রুল জিলানি। স্কাস চয়োত অসি য়াওনা জিলা অসিদা মরাং কায়না ফংলিবা এভোকেদো অমদি তোঙান তোঙানবা মখল চেশিংগী মিনিমম সপোর্ট প্রাইস ফংহন্নবগীদমক লাক্কদৌরিবা মনিপুর বিধান সভাগী মীফমদা প্রাইবেট মেম্বর বিল অমা পুথোক্লগনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ভি.ভন্ধন বিকাশ কেন্দ্রগী মখাদা শাবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী ব্রাকসেট অমদি ফুদ ষ্টোরেজ বিল্ডিংসু শঙ্গাখি।

**ফারমাসি (এল)ঃ** ঙসি অসি মামেলগী ফারমাসিষ্ট নুমিৎনি। নুমিৎ অসিগী থৌরম মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোন্সম লৈকাইদা লৈবা কংলৈপাক মেদিকেল এন্দ নর্সিং ইন্সটিট্যুটকী কলেজ ওফ ফারমাসি অমদি জেনিমসকী ব্লড সেন্টরগা খুৎশমদুনা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী মখাদা লৈবা ষ্টেট দ্রগস কন্ট্রোল্লর এন্দ লাইসেন্সিং ওথোরিতিগী দ্রগস ইন্সপেক্তর-এস. বালেশ্বরনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-হকচাং ফনা থমবা হোৎনবদা ফারমাসিশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মতম মতমগী ওইবা অনৌবা হিদাক লাংথকশিং মীওইবনা শিজিন্নবদা কদাই ফাওবা কান্নবগে অমদি শোকহনবা য়াবনা করিনো হায়বনচিংবশিং অসি ফামাসিশিংনা য়েংশিনদুনা লাক্লি। মসিগীসু মথক্তা স্তোরদা হিদাক লাংথকশিং মরাং কায়না লরিব্রা হায়বনচিংবা য়েংশিনবগী থবকশিং তৌরি।

**য়োজনা(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী লম্বী থোং শেম্বগী থবক্কী মনুং চন্না পি.এম.জি.এস.ৱাইগী অহুমশুবা তাঙ্কক্কী থবক পায়খৎকদৌরিবা অসিদা অচৌবা অশোয়বা কয়া লৈরে হায়না ওল মনিপুর কন্ট্রেক্তর এসোসিয়েসন ফোরমনা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি। অশোয়বশিং অদুগী মনুংদা

পি.এম.জি.এস.ৱাই. তাঙ্কক অহুম এস.ও.আর. ২০২২ অসি মনিপুর সরকারগী পি.ডব্লিয়ূ.দিগী এস.ও.আর ২০২২ গা চাউনা খেৎনবা লৈরে। পি.এম.জি.এস.ৱাইগী রেট অসি পি.ডব্লিয়ু.ডিগী রেটকা য়েংনবদা পি.এম.জি.এস.ৱাইনা পীকথরে হায়বা ৱাফম য়াওরি। অশোয়বশিং অসি চুমথোকবা মরি লৈনবশিংদা হায়রবসু পি.এম.জি.এস.ৱাইগী থবক পায়রিবা এজেন্সিশিংনা পায়বীদ্রে হায়না মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**কাদা (এল)ঃ** কাদানা রাজ্য অসিদগী ময়াই কাবা নিশা মুখুৎনবগী পান্দমদা চংশিল্লকপা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং খুনৌ তেরা মখোং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবনি।

**ব্লড (এল)ঃ** এসোসিয়েসন ওফ ভোলুন্টরি ব্লড দোন্নরস-মনিপুর, লোনজা এলেপা ফাউন্দেসন, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট, পার্সোনেলিতি এন্দ টেলেন্ট দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, লাইনিংথৌ সনামহি লুপ, ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমসুং বাবিননা পুন্না শিনদুনা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। খুরাই নিংথৌবুং লৈকইদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মীয়ামনা উ চারাশিংসু থাখি।

**কম্পিটিসন (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা রাজ্য থাক্কী লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদমবা অমদি ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই নিংথৌবুং লৈকাইদা লৈবা ইবেধৌ-ইবুধৌ পুরিবা-পুরাবা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**জিত্তঘ(এল)ঃ** থৌনাওজম চাউবা মেমোরিএল চেরিটেবল ত্রষ্ট-শিংজমৈনা ঙসি

শিংজমৈ কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা চিংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা ইমুং মরিদা জিঙ্খ্রি ভান অমমম অমসুং লুপা লিশিং অহুম-অহুম মতেং পাংখ্রে।

চিংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা ক্ষেত্রি প্রতামা মৈতৈগী য়ুমদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা ত্রষ্ট অসিগী মেনেজিং ত্রষ্টকী-থৌনাওজম রোমেননা জিঙ্ঘ অমসুং শেনফমশিং অদু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা শ্রী রোমেনন হায়-হৌখিবা মে মঙাদা তাখিবা অকনবা লেননা য়ুমথক ইহো হোনা লৈরকপা কুইরবসু ইমুং মনুংগী শেল থুমগী ফিভম ফত্তবদগী জিঙ্খ্রি শিনবা ঙমদনা লৈবগী পাউ ত্রষ্টতা পীরকপদগী অহানবা ওইনা জিঙ্ঘ অমসুং তেংবাংশিং অসি য়েন্থোকখিবনি। মসিগী মথক্তা মফম অদুদা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিং অমদি অহল ওইরবশিংগী পোথাশঙ অমা শাবগী থবক লোয়শিল্লক্কদৌরে। ত্রষ্টকী তেংবাংগা লোয়ননা শারিবা পোথাশঙ অসি অথুবা মতমদা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

**ভারত লান্মী(এল)ঃ** ইমফাল ৱেষ্ট জিলাগী কান্টো শম্বলদা হাংবা রিলিফ কেম্প য়াওনা লমশাং ব্লোক্কী তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী মহৈরোইশিংনা স্কুল চৎপদা শিজিন্নবা সিট ৪৫ য়াওবা বস সার্ভিস অমা ঙসিদগী ভারত লান্মীনা হৌদোকখ্রে।

ওপরেসন সবভাবনা প্রোজেক্টকী মখাদা থৌরাং অসি পায়খৎপনি। বস অসিনা কান্টো শম্বল খুলদগী কেন্দ্র বিদ্যালয়া ফাওবা স্কুলগী মহৈরোইশিং পুথোক পুশিন তৌগনি হায়রি।

**বাবিনা (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা আমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট বাবিনা স্পিসিয়েলিতি হোস্পিতালবু কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনাগী তরুকশুবা আয়ুসমান পকাৱারাগী থৌরমদা মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অনিশুবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪, ঙসি জিলা অসিগী এস্ট্রো তফ গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে। টিম ১৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা খুৎশমদুনা শিনবনি।

**ইলেক্সনঃ** জম্মু কাশ্মীরগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী বিধান সভা মীখলগী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে। ভোট থাদনবগী চাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা চাদা ৫৪ গী চাংদা ভোট থাদনখি।

তাঙ্কক অসিদা জিলা ৬ কী বিধান সভা কেন্দ্র ২৬ তা ভোৎ থাদনখি।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়- তাঙ্কক অসিদা ভোতর লাখ ২৫ লিশিং ৭৮ না মীরেপ ২৩৯ গী মরাইবক লেপকনি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ওইরিবশিংগী মনুংদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লাহ য়াওরি।

য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা বিধান সভা মীখল তাঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোক্লি। থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্তা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৬১ ওইখি। অহুমশুবা তাঙ্কক্কী মীখলনা মথং থাগী অমদা পাঙথোক্কনি।

মরক অসিদা, হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। প্রধান মন্ত্রি অমদি বি.জে.পি. লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা সোনিপথতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি। মীফম অদুদা শ্রী মোদিনা এন.দি.এ. সরকারনা হৌদোকখিবা মেক ইন ইন্দিয়া ইনিসিয়েটিবকী কান্নবশিংগী মতাংদসু ফোংদোকখি। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী লুচিংবা কয়ানসু মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক্তা ঙমজবী থাদুনা ভোট খোম্লি। সিট ৯০ লৈবা হরিয়ানা বিধান সভাগী মীখল মথং থাগী মঙাদা পাঙথোক্কনি।

ভোট মশিং পুন্না ওক্তোবর ৮ দা থীগনি।

**পৱারঃ** এসিয়া পৱার ইনদেক্সতা এসিয়া লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতনা অহুমশুবা

মফমদা লৈবা ঙমলে।

এসিয়া পৱার ইনদেক্স রিপোর্ট ২০২৪ গী মতুং ইন্না কোবিদ লায়চৎ মতুংদা ভারতনা শেল থুমগী লমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমলে। রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়-মালেমগী ওইনা য়েংবদা ভারতনা অতৈ তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদসু খুমাং চাউশিনবা ঙমলে। মায় পাকপশিং অসিনা ভারতপু এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লগনি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-মনিপুরদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি।

অসাম, মেঘালয়, অরুনাচল প্রদেস, নোংচুপ বেঙ্গোল, সিক্কিমদা হয়েং ফাওবা অকনবদগীনা য়ামা কনবা ফাওবগী চাংদা নোং চুগনি হায়রি। গৱা, মহারাস্ত্র, গুজরাট, কোনকান লমদম অমদি অতৈ মফম কয়াদসু লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি।